ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯨꯟ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯸꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ১৫, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৮৩শুবা মশীং

অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং

মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা তেংবাংসি

কুমগী নোংনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম খরদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরি। ময়ূম-মকৈদা লৈবা য়াদদুনা মীওই কয়া অমা দিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিনা লাংবা মতম খরগী চঙজফম লৌফমদা লৈহল্লি। অতোপ্পা মীওই কয়া অমনা মখোয়-মখোয়গা নক্লবা মরী-মতাশিংগী য়ূমদা চঙজফম লৌরি। ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈবা মরম্না ময়ূমদগী মপান থোকপা য়াদনা মীওই কয়া অমসু লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা হায়বা লৈতনা অৱাবা মায়োক্লরি। তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফমশিং অদুদি তোর্ব্বান অদু হেক মেনশিনখিবা মতুংদগীদি মফম অদু ঈশিং কংথখ্রগনি। অদুগা মফমদুদগী চেনশিনখিবা ঈশিং ময়াম অদুনা অকূৎপা মফম থিরকপদা লৈকায় অমদগী লৈকায় অমা, খুল অমদগী খুল অমা লান্দুনা লাক্লগা মীওই কয়া অমা অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরকখিগনি। খূদম ওইনা হায়রবদা ন্যু চেক্কোনদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়খিবদু হৌজিক মপূং ফানা মেনশিনখ্রে। ঈশিং মেনশিনখিবদগী হান্না ঈশিংনা থজিন য়ৌরম্বা চীফ সেক্রেটরিগী বঙ্গলো, দি জি পিগী বঙ্গলো ঈশিং ময়েং তাথখ্রে। সঞ্জেন্থোংদগী কোনুং মমাং ফাওরগা চৎখিবা লম্বীশিং হান্না ফাওনবা য়ারমদবদু হৌজিক্তি লম্বীদা ঈশিং চেনখিদ্রে, লম্বী ফাওনবা য়ারে। অদুবু, অৱাবদি কায়খিবা মফমদুদগী চেন্থখিবা ঈশিং অদুনা পেলেস কম্পাউন্দ লান্থোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং ৱাঙ্খ্রে, কোংবা, বামোন লৈকায় লান্থোরক্তুনা হৌজিক্তি শিংজমৈ-কোংবা রোদ লান্দুনা ঈশিং চেল্লে। হায়রিবা ঈশিং অসিনা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা খোংমন, উচেক্কোন মুরিবা ফাওবগী মনুংদা লৈবা লৌবুক-লম্ফাংশিং অমসুং য়ূমশিং থুম্বা হৌরে। ঙসি নুমিদাংৱাইরমদগী খোংমনগী অতোম লৈরক লান্থোক্তুনা চেনখ্রগা যুবরাজ পল্লি ফাওবা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরগনি। মসিদগী অমুক মখা চথুরকপা তারগদি ৱাঙ্খ্রে লৌমানবী থুমজিল্লক্কনি। পোরোম্পাৎ মায়কৈসু ঈশিং চাওরে। পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস অমদি অতৈ মরুওইবা ইম্ফাল ইষ্টকী লোইশঙ পূম্নমকসু ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। অৱাবা ফীভম অসি কমদৌনা কোকহনগদগে হায়বা তারগদি তুরেলশিংদা ঈশিং চিংথোকপা নত্তনা পাম্বে লৈতে। তুরেলগী ঈমায় খরমখৈ হন্থজরগসু লৈকায়-লৈকায়দা মৌখৎলিবা ঈশিং চিংথোক্লনবগী পাম্বে ৱাটর পম্প পানবা নৎতনা লৈতে। মসি চিংথোক্ত্রিবা মখৈদি তপ্না-তপ্না অতৈ খুলশিং লানশিল্লক্তুনা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লখিগনি।

খ্বাইদগী হেন্না খূদোংচাদ্রিবনা থক্লনবা ঈশিংগী অৱাবা অসিনি। ঈশিং ঈচাও থোক্ত্রিঙৈ মতমদদি পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টনা চয়োল অমগী মনুংদা নোংমতং ওইরবসু পুং ১ রোম টোটি ঈশিং পীরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ঈশিং মরক্তা টোটি ঈশিং থাবা নৎত্রগা ঈশিং অদু ইমুংদা পুশিন্নবগী পাম্বে লৈতবা ইমুং কয়া অমা য়াওবনা মরম ওইরদুনা মখোয়দা তঙাইফদনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা থক্লনবা ঈশিং ফাওবদি ফংহন্নবা থৌশিল শেম্বা চুম্মী। মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংবা হায়বসি নোংমখক য়ূম অমদা চেঙ কিলো ২, হৱাই কৌতা মচা ১, তিলহৌ অনীখক অমসুং অচাথাউ পাৱা অমখক পীরগা য়াবা নত্তে। ঈচাওনা অৱাবা তারিবা মীপূম খূদিংমক্তা নুমিৎ খূদিংগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং য়ৌহনবা ঙম্লবা মতমদতা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খল্লি অমসুং মতম চুপ্পদা থবক তৌই হায়বদু য়াগদৌরিবনি। অদুবু, লুরিবা ৱাফম অমদি লায়রখ্রবা ষ্টেট অসিনা ঈচাওদা অৱাবা তারবা মীয়ামবু মতেং পাংননবগীদমক তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবা হায়বসি অরায়বা অমদি নত্তে। রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী চহীগী বজেট মমিংখক্তনি। বজেটতা হাপ্লিবা শেনফম অসিনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা চেঙ কেজি ২/২ ফানা পীবা ঙম্নবগী পাম্বে লৈতে। অদুবু, লৈঙাক্লা পাম্বে অমা তৌরগা অহানবগী ওইনদি মীয়ামগী তঙাইফদবশিং ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়বসি মীয়াম্না খঙগনি। অসিগুম্বা তেংবাংগী পোৎলমশিং অসি খরগা হেন্না মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা অহেনবা শেনফম চঙই। হায়রিবা শেনফম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুথোকপদা হেন্না নুংঙাইননবা মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেনফম চীফ মিনিষ্টরগী ঈচাওগী রিলিফ ফন্দদা কৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মমাংদা মণিপুরদা সাইক্লোন মোরানা অৱাবা নংখিবদা মণিপুরগী পূকচেল চাওরবা মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা শেলগী তেংবাং পীনখিবগুম্না হন্দক্কী অসিদসু রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংবীদুনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা তেংবাং পোৎলম হেন্না য়ৌহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং, মশক নাইবা মীওইশিং, লন্নাই মীওইশিং, পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা লৈতনা পার্টিশিংগী ৱার্কর খূদিংমক্লসু রিলিফ ফন্দদা মতেং পীরগদি অৱা-তেংবাংদা মতেং ওইনগনি। চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা মীয়াম্না শেলগী মতেং পাংবা হায়বসি লায়রবা, পাম্বে লৈজদ্রবা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা পীবনি হায়না লৌগদবনি। মসিনা মীয়ামগী থৌগল তৌবনি হায়না লৌরবসু থোইনা অকায়বা লৈতে হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

এডিটরদা পীবা অফোংবা চিঠি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌজিক ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফীভম অসিনা অসুন্মক মখা তাথনা লৈবা তারবদি হান্নদগী শোকচিন্না লৈরিবনা সন্দ্রেম্বী চৈশ্রাগী ফুঙ্গা ৱারীগী ইবেম্মা ইমাদি খ্বাং য়ৌরে, থবাক য়ৌরে, ঙকশম য়ৌরে ইমা য়াদ্রে হায়দুনা অরোইবা ওইখিবগী মওংদুমক লাক্লোইদবগী মরম লৈতে। ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা,বি ঐচ য়ুদা মতম শাংনা ইকনমিক্সী ওজা ওইনা লৈরক্লবা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেনা হৌখিবা চহী ২০১৬কী ওক্টোবরদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা লৈরকপা চহী অমগা থানিপানগী মমনুংদা তৌবা কা হেনবা থবক থৌরমশিংবু য়ানীংদবা ওইনা খাঙবা ঙমদ্রবা এম য়ু এস য়ুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং নোংমা নোংমগী পাকথোক চাউথোরক্লি। এম য়ু এস য়ুনা শিরিবা মরালশিং শেংদোকপীনবা য়ুনিভর্সিটিসিগী ওজাশিং, ষ্টাফ, এসোসিএসন্নচিংবনা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেগী পূক্লিং চিংশিনখিবগী ৱারোলশিং থমখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা ভি সী অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটি ওইরিবা অমত্তনা শেংদোকপগী ৱাফমদা তুমিন্না লৈরিবা অসিনা তাকপদি করিগুম্বা খরদি লৈরে অমদি চুল্লে তাক্লবনি হায়বদা লাল্লরোই। লোয়ননা মখা তানা অদুমক লৈবা তারবদি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াওশিল্লক্তুনা মখা তাবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্ত্রিঙৈদা ইকায়খুম্নজরবা গভর্ণর, চীফ মিনষ্টর লোয়ননা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এম ঐচ আর দিগী পূক্লিং চিংশিনবীদুনা ঈহৌ অসি লোইশিন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা এফিলিএসন তৌদুনা লৈরিবা কোলেজ কয়া, মসিগী মহৈরোয় লিশীং ৭০ লোমগী মরাইবক্তা চহী মাঙবা য়াবগী মতাং লাক্লগনি, মদুদা থোক্লক্কদবা অফ-ফত্তগী থৌদাংনা কনানা পুগনি হায়বগী ৱাফম তরাইনা লৌবা য়ারক্লোই। মখা তারকপদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা মহৈরোয়শিংগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা অমত্তা ওইনা শৌগৎলক্লিবা অসিমক্লসু এম য়ু এস য়ুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী পান্দম ফংদনা য়াশিন্নবগী খোঙথাং তরাইনা লৌবা চুল্লোই।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেনা খঙশিন-উশিন্নদনা ঙকচাউ থেক্তুনা কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামনা তৌগদবা মথৌগী মহুত্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিবু তশেংনা নুংশিরবদি দিন (Dean) শিং অমদি Registrar i/c য়াওনা মশামক কেম্পসতা লাক্তুনা মহৈরোয়শিংগী মমাংদা শেংদোক ৱারোল পীদুনা তুংদা তৌগদবা, তৌরোইদবা কয়াগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নরবদি পামদবা থৌদোক থোকপদগী কনবা ঙমগনি। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লুরবা মতম কয়াদা মরুওইনা থৌদাং লৌরিবা ওজাশিংগী মরক্তগী দিন ওইবিরিবশিংনা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেনা তৌরিবা মওং অসিদা উনা-খঙনা তুমিন্না লৈশিনবগী মহুত্ত মৈরিক্তগী মৈজাউ ওইরক্তুনা তাঙ্গৈই তানবা শিনবিদবা মতম ওইরে।

অদোমগী - পুখ্রম্বম সনাতোম্বা, ক্যামগৈ শান্তিপুর লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১। মণিপুরী মতম ঈশৈগী হৌরকফমদি মণিপুরী ফম্বাক লীলানি। ‘জাতি কৌবী শকহেনবী’ হায়বা ঈশৈসি ঙসিফাওবা পাম্না শক্লরি।
   (ক) ঈশৈ অসি করম্বা ফম্বাক লীলাদা শকখিবগে?
   (খ) ঈশৈ ময়েক অসিগী অইবদু কনানো ?
২। “লৈমন চল্লবী লৈরাংগী অৱাবা/খঙবীরোই কনানা, তাবিরোই তাইবঙনা।” ওজা পহাড়ীনা শকখিবনি। শৈরেংবদু কনানো?
৩। “লাইজথক্কী থারিকথা/মালং চীরোল ফংবদা/লৈনা জগোয় শাবদি/থাজ মাবু ঙাইবরা?” ময়েক অসি শৈশকপা কৈশাম জামিনীকান্তগী ময়েকনি। কনানা শকখিবগে?
৪। ‘ঙসিদি অশেংবা হায়দোক্লগে’ হায়বা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৫। ‘ঈশৈ পরেং’ কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদুনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মীশিং হন্থরকপদা অহিং তূম্বা য়ানরক্তবা

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মীশিং হেনগৎলকপদা কপকদ্রা নৎত্রগা নোক্কদ্রা? মীশিং হন্থরকপদসু কপকদ্রা নৎত্রগা নোক্কদ্রা? হায়রিবা ৱাসি মী বিল্লিয়ন্না খুজিং ওইদুনা লৈরবা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী ৱানি। চাইনা হায়বা লৈবাকসে য়াম্না চাউবা লৈবাকনি। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাকনি। অদুনা মীশিং য়াম্বদসু খ্বাইদগী মকোকনি। মীশিং য়াম্বনা মরম ওইরদুনা চাইনাদা থোক্লিবা ৱাথোকসি য়াম্না য়ামখ্রবজাৎনি। মীশিং য়ামদবা লৈবাক্তদি ৱাথোক ওইদবা করিসু লৈতবা ইচম-চম্বা থবক কয়াসু চাইনাদদি ৱাথোক্লি অমদি খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। খুদম অমখক্তং পনবা তারবদা পাম্মী, নুংশি হায়দুনা হুই-হৌদোং পংলোই লোয়বা য়াবা নত্তে চাইনাদা। ইমুং অমদা হুই অনীগা শুনা লোয়বা য়াবা নত্তে। শম্না ‘ৱান ফেমিলি ৱান দোগ’ হায়বসি চাইনাদা চৎনবা অকনবা য়াথং অমনি নৎত্রবদি খন্দুনা য়েংবিয়ু মী বিল্লিয়ন্দা লৈবদুনা হুই লোয়খৎলক্লবদি করি ওইনি চাউখ্রবা লৈবাক চাইনাদা মী লৈননবা লম ফাওবা লৈশিল্লক্ত্রবদুদা। মীবু লৈগদ্রা হুইবু লৈগদ্রা? মসিদি হুই লোয়বনা পীরকপা খুদোংচাদবখক্তনি। অতৈ থবক/থৌওং কয়ানা হিংবদা খুদোংচাদবা পীবা কয়ামা লৈরি চাইনাদা। হৌদোংদা পংলোয় লোয়বা, য়ূমদা য়োকপা শা-উচেক্কা পংলোয়-লোয়বা য়াবা নত্তে। হায়রিবা থৌওংশিং অসি মীশিং য়ামদবা লৈবাকশিংনা তাবদদি করিনোনে হায়দুনা অঙকপা পোক্লরিবনি। মীশিং য়ামদবা লৈবাক্তদি লৈফমসু মরাং কায়বা অদুগা চাব-থকপগীসু ৱাৎতবনা হুই, হৌদোং, শা-উচেক লোয়রসু থোয়দোক্লা খুদোংচাদবা লৈনদে। অদুবু মীশিং য়াম্বা চাইনাদদি খন্দুনা য়েংবিয়ু মী বিল্লিয়ন অমা হেনবদুনা হুই, হৌদোং লোয়খৎলক্লবদি নোইজ পোল্যুসন থোক্কনি, লৈবদা নুংঙাইরোই। হুইগী লায়না কয়া এন্টি রেবিজনচিংবা লাকশিন্নবা হোৎনবদা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট অচৌবা অৱাবা অমা ওইনা। য়ামখ্রবা হুইয়ামদুনা ফায়দোরকপা মথিদুদা শেন্নবদা অৱাবা অমা ওইনি। মীগী ফাওবা চানবা চিঙ্গাক কোন্নদবগী অৱাবা লৈরিঙৈদা য়ামখ্রবা হুইগী মচিঙ্গাক হুনবদা মীশিং য়াম্বা চাইনাদদি অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। চাইনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বা ইনাকখুনবা, তৌবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরবসু মীশিংদা হেন্না য়াম্মনখিবনা হীরম কয়াদা অৱাবা য়াম্না মায়োক্লরে। অঙাং মশীং য়াম্না পোক্তনবা লো কয়া শেমদুনা চৎনৈ। অঙাং মশীং য়াম্না পোক্তনবা হায়বদি মীশিং কা হেন্না হেনগৎলক্তনবা তোঙান তোঙানবা লো কয়া চৎনরি। মীশিং কা হেন্না য়াম্মনবনা লৈবদা নুংঙাইতবা, খুদোংচাদবা, পোথোক য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক চাইনাসি ঙসিদি ৱারে, খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। ইন্দিয়াসু মীশিং য়াম্মনবদগী য়াম্না ৱারবা লৈবাক অমনি। ইন্দিয়াসি লৈহাও লৈবা, মিনরেল য়াম্না লৈবা, লল্লোন-ইতিক তৌনবগী লম্বী হায়বদি নোংথক, লৈমায়, ঈশিংগী লম্বীদা য়াম্না খুদোংচাবা, খূৎশা হৈবা, মহৈ-মশীন হৈবা মী য়াম্না লৈবা অমদি মশাগী পুৱারী য়াম্না মরা চেৎনা লৈজবা লৈবাক অমনি। অদুবু মদু ওইজরগসু মীশিং কা হেন্না য়াম্মনবনা চাকথুং-ফিথুংদবা, মী লিশীং-লিশীং, লাক্ষ-লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা লৈরে। চায়াম পোকপা ইমুং হায়বদু ওইরে। চায়াম পোকপা ইমুং অমদা ফনা য়াম্না শেল থোকপা ইমুং ওইসনু লাউন-খোংনবা, অমনা হায়বা অমনা তাদবা, মানা-মানা থোকপা তোঙান চানীংবগী ৱাথোক লৈবা মশানা তাবনি। নুংঙাইবা ইমুং হায়বদু ওইররোই। অমনা পুখম খরা থুগায়রক, অমনা তেঙ্কোৎ অমুক লংথোরক, অমনা উপু অমুক থুগায়রক ওন্থোকপা ইমুং হায়বদু ওইরে, নাকোং পংলে মমা-মপা ওইবশিং। পোথোক ফনা য়াম্না পুথোক্লবসু মী য়াম্মনখিবদগী ইন্দিয়া হৌগৎপা ইঙম-ঙমদবা লৈবাক হায়বদু ওইরে ঙসিদি। চাগোক ফবা লম হায়বদুনি। অশাবা লমনসু খরা হেল্লি চাগোক ফবসি। য়েংবিয়ু অফ্রিকাদা মীশিংগী ফীভম করি ওইরি। চারা হেনবনা শিগদৌরবসু চাবোকপদি লেপ্তে। অইংবা লম্না খরবু হন্থে চাগোকপগী চাং অসি।

ইন্দিয়াদদি কাঙলূপ/ফুরুপ, লাইনীং-লম্বী য়াম্না য়াম্বনিনা চাগোক য়াম্না ফবা কাঙলূপ/ফুরুপ অদুমক লৈরে। অদুবু মীশিং য়াম্বদগী চাকথুং-ফিথুংদবদগীদুনা অৱাবা নংবদুদি কাঙলূপ-ফুরুপ লোইনমক্তা থেংনৈ। শম্না পাল্লবা ঈরৈ কনবা ঈপাক অমদা অহোবা হী অমদা চাগোক ফবা ফুরুপ/কাঙলূপসু, চাগোক কয়া য়ামদবা ফুরুপ/কাঙলূপ পূন্না তোংমিন্নবদা লোয়না লুপ্তুনা শিমিন্নবা অদুগুম্বনি। অদুনদি শম্না হায়রবদা কা হেন্না চাগোক ফবা হায়বসি ঐখোয় ইশা নুংঙাইনবা থবক নত্তে, ৱাজনবা শিঞ্জবনি। চাগোক ফরগা নুংঙাইজবা, চাগোক ফত্রগা নুংঙাইজবসু কাঙলূপ/ফুরুপসু লৈ। চাগোক ফরগা কান্নবসিবু করিনো? অতোপ্পা কাঙলূপ/ফুরুপ্তা, পূম্নমক্তা পীবা অৱাবদু উগদবনি। মচাবু য়াম্না পোল্লবা মশানা মশাবু অৱাফমদা চিংথনবা হোৎনজরবনি। অশিংবা মী হায়বদু নত্তে। চায়াম পোকপা মহা পাপনি। কনাদা লংশিনবা পাপনো? অতৈ কনাদসু নত্তে মশামক্লা পোকচবা মচা অদুদনি। নুংশিনা পোকচবা মচা অদু ৱানবা শিনবিবগা চপ মান্নে। মচাদু মচি ওইবা চিঙ্গাক পীজবা ঙম্লোই মচা নাউরোল খুনা মথং-মথং পোল্লবদি। মচি ওইবা চিঙ্গাক্তু নুংশিরবা মচা অমা-অনীনা চাজগদবদু মচা মরি/মঙানা য়েন্নদুনা চারকপা তাবনি। মদুদদি মশানা পোকচবা মচাশিংদুগী মশা তিঞ্জং-কায়জংবা হায়বদু ওইবা তাবনি। মীওই অমগী শেন্থোক লম্বী হায়বসি অকক্লনা লৈনৈ। য়াম্না পাক-চাউনা হেন্দোকপা ঙম্নদে। শেন্থোক্তি হেঙ্গৎলক্তনা মচা ৭/৮ পোকশিল্লক্লবদি মচাশিংদু য়োক-থাক্লবগী শেল লৈরক্তবা তাবনি। মফি শেৎলক্লোই, মচি ওইবা চিঙ্গাক চাব ফংলক্লোই, মহৈ-মশীন তম্বদা মী ওইনা য়েংশিনবা ঙম্লক্লোই। মীগী মচানা মহৈ তম্বা ফজনা চৎলবা, মফি-মরোল ফজনা শেৎলবা, অফবা চিঙ্গাক পীজবা ঙম্লগা চায়াম পোকপদুনা ঙমদবগী মরম অদু ইশানা খঙগদবনি। ঙম্লোইদবা ওইরবদি করিগী চায়াম পোক্লুরিবা? করিসু খঙজদবা অঙাংশিং অদুদা অদুক ৱাবা অৱাবদু ফংহল্লিবদু কনাগী মরালনো? নুংশিনা পোকচবা ইচাদা অসুক ৱাবা অৱাবা নংহন্নীংবা কনাসু লৈরল্লোই। চায়াম পোকপশিং অসি হেক পোকচবা মচাবু নুংশিবা খঙদবা মমা-মপাশিংনি। মখোয় ৱাখল তাদবা উমংদা লৈবা শানি। উমংদা লৈবা শা ফাওবা মচা ৭/৮ পোকপা য়াওদে। অদুগা মী মখোয়না করিগী ৱাখল খন্থদনা মচা ৯/১০ পোল্লিবা। চায়াম পোক্ত্রিঙৈদা নুংশিরবা মচাশিংদু নিংথিনা য়োকপা-থাকপা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বদু মতৈ-মনাও অনীনা ৱাখল লিশাং থাহৌগদবনি। কৈরোয় লৈকায়দা চায়াম পোকপা ইমুংগী মচাশিং মী ওইদদনা ৱাথোক ওইদুনা লৈবশিং অদু উরবনা মতৈ-মনাও ৱাখল তাবা ফৈ মখোয়গী মচাশিংদসু তাদনবা হায়দুনা।

মচা য়াম্না পোল্লগা শাগৈ চাউনবা, ফুরুপ চাউনবা হোৎনবনা করি কান্নগদৌরিবা? মতৈ-মনাও নুংশিনা পোকচরুবা মচা ৯/১০দু শাগৈনা চাক পীজগদ্রা, মফি থোনবীগদ্রা, গভর্ণমেন্টকী তলব চাব থবক তৌবা ফংনবা শাগৈনা, ফুরুপ্না মহৈ তম্বীগদ্রা হায়বদু মতৈ মনাওদুনা মচা পোক্ত্রিঙৈদা খন্থহৌগদবনি। মচা ৯/১০ পোকপদুদি শাগৈনা, ফুরুপ্না, লাইনীং-লম্বীদুনা লাক্লগা পোল্লম্বা মচা নত্তে। মদুদা করম্না মচা য়াঙ্গৌন অমদু শাগৈদা, ফুরুপ্তা, লাইনীং-লম্বীদা, লাইনীং-লাইশোন্দা য়োকপীয়ু-থাকপীয়ু হায়রুবা য়ারিব্রা? হায়রুরবসু নোক্লরক্কনি করিনোহে অঙাওবা মতৈ-মনাওরা নচা পোকথোল্লগা য়োক-থাকনীংদ্রিসিবো হায়দুনা। শাগৈনা, ফুরুপ্না, লাইনীং-লম্বীনা, লাইনীং-লাইশোন্না মচা য়াম্না পোকউ মীশিং য়াম্নবা, পাঙ্গল কন্নবা, খূৎকন্নবা হায়রগসু হেক পোকচবা মচাবু নুংশিরবদি মদু য়ারোইদবনি। মদু মী ৱানবা শিনবা পাউতাক্লি, পাউজেলনি। মদুগুম্বা পাউতাক্তুদা মতুং ইন্দুনা চৎলুরবদি নুংশিরবা ইচাদুগী পুন্সিদু ৱাথোক কয়াদা চেন্নবা, হিংবদা নুংঙাইফম খঙদবা, পূক্লিং ৱাখলগী অনাবা লৈনবা, অৱাফমদা তানবা ইমানা শিনবিবগা চপ মান্নে। মদু খঙনা-খঙনা শাগৈ চাউনবা, ফুরুপ মপাঙ্গল কন্নবা, লাইনীংনা হায়রবনি হায়দুনা চায়াম পোল্লগাদি মচাদু ৱাগেরা-ৱারোইরা খঙদে মখোয় মখোয়না ঙম্নবা হিংনবা হোৎনগদবনি হায়বরোমদা চথখ্রে। মদুদি ঈগী মরী, ঈ মতুমগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। শা, ঙাগী পুন্সিদগীবু হেন্না তোনখ্রে। চায়াম পোল্লগা মচা অৱাফমদা তাবদগী হেন্দোক্তুনা মচা পোল্লিবা মতৈ-মনাওদুসু মশা ফরোই, লায়না তীলনা চেনবা মশানা তাবনি। মমা অদুদি লায়না কয়ানা পুন্সিদবা তাবনি। মপাদুসু চহী নৌনা শরূ-শয়াং কোমথরক্তুনা পুন্সিদবা তাবনি। মী ওইবা ঙমদ্রবা মচা য়াঙ্গৌন্দুনসু মমা-মপাদু নারক-য়েক্লক্লবা ফাওবদা য়েংনীংদবগী হায়বদি মীনুংশি ৱাৎলকপগী মমি তারকপা মশানা তাবনি করিনা হায়ববু মখোয়বু হেক পোকপীবা মমা-মপাদুনা চায়াম পোল্লগা নিংথিনা শেম্বীরক্তবদগী ৱারৌবা তাবনি।

অসুম্না নারক-য়েক্লক্লগদি শাগৈদা, ফুরুপ্তা, লাইনীং-লম্বীদা, লাইনীং-লাইশোন্দা ইচাগী লায়েং শেল পুথোকপীয়ু হায়বদা কনানসু তাবিরোই। তাবিবদি লায়রদুনা অঙাওবনি হায়দুনা নোক্লবিরক্কনি মচা য়াঙ্গৌন অমা পোকথোল্লগা তৌশারিসিবু হায়দুনা। শোয়দনসু চৈবিরক্কনি মদুদি মচা পোক্লবা হোৎনদ্রিঙৈদা হান্না খন্থহৌবা য়াদব্রো নশাগী শেন্থোক লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু। অদুনদি নুংশিনা পোকচবা মচাদু নিংথিনা লায়েংবা ঙম্লরোই। মদুবু মপাখক্তদা ওইনীংবজাৎলা? মদুবু করিগুম্বা খঙনা-খঙনা মচা পংপোক্তা পোক্লবদি মচা নুংশিবা খঙবা মী নত্তে, মচাদা পাপ লংশিনবা মচাবু ৱারসনু হায়না শিনবা মীনি। মচাশিং মহৈ তমহনবদা ঙসিদি শেল কয়া য়াম্না চঙবগে হায়বদু খঙনরে। অঙাং অমা মহৈ তমহনবদা ঙসিদি হায়নীংঙাই লৈতনা মতম অমদি শেল য়াম্না চঙলে। শেল চঙনা মহৈ তম্লবসু মী ওইগনি হায়বা ঙমদ্রে ঙসিদি করিনা হায়ববু মহৈরোয় মশীং য়াম্বতা নত্তনা কম্পিটিসন তৌনবগী চাং য়াম্না ৱাংলে। মসিগী ফীভম অসিদা চায়াম পোকথোল্লগা মচাশিং মহৈ তমহন্দনা লৈরবদি মচাশিং অদুগী শেন্থোক লম্বীদি করি তৌরগা ফংগদগে? মহৈ মশীন তম্বদগী শেল ফংগনি হায়বদি লৈত্রবনিনা জাৎ-জাৎকী লোনা য়াদবা থবক কয়া তৌরকপা তাবনি করিনা হায়ববু হিংবদদি শেল হায়বসি চঙই। গভর্ণমেন্টনা পীবা শেন্থংনা য়ামখ্রবা মচাশিং মহৈ তমহনগনি হায়দুনা মচা পংপোক-পোকপদি অৱাবগী মশকনি। গভর্ণমেন্টনা শেন্থং মতম চানা পীদবদগী মচাশিং মহৈ তমহনবা ঙমদ্রে হায়দুনা গভর্ণমেন্টতা ৱারৌবা ফুরুপ/কাঙলূপ/মীওইশিংদু অঙকপনি।

খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউশিংসি তরাইরক্লোইদৌরি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

নোং খজিক্তং হেক তাবগা ইম্ফাল সিটিগী অয়াম্বা শরুক্তা লৈরক-খুল্লকশিং ঈশিং থুমজিনবগী থৌদৌশিং অমদি ম্যেন রোদশিং য়াওনা কৈথেল শঙনচিংবা কয়ামরুমদা চহী খুদিংগী নোংজু পন্থাবু লাক্লবদি রুটিন ৱর্ক অমা ওইনা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউশিং থোক্লিবসিগী মরমশিং করি-করিনা ওইরমগনি? থৌদৌশিংসি মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না য়েংদুনা অমসুং তরাইনা লৌদুনা লৈথোকপীবদি খক চুল্লোই। মণিপুরদা নোং খজিক্তংবু তারবদি ইম্ফাল সিটি ময়ায় য়াওনা চহী খুদিংগী খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউশিংগী অৱাবা তত্তনা মায়োক্লরি। থৌদৌসি ঙসি-ঙরাংতগী ৱা নৎলক্ত্রে। ফীভমসিদা লৈঙাক্লা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু তেংবাঙ পীবগী থবক্লদি কৈদৌঙৈদসু খক তুং কোয়না মীয়ামগী অৱাবশিং কোকহনবা ঙমগনি হায়বসি থাজদে। মণিপুরদা ওইরক্লিবা ঈরম-খোংলমশিংগী ফীভমশিংসি চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা অমুক্তং য়েংশিনবীবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি লমদমসিদা নোংজু পন্থানা লাকপা খুদিংগী খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউশিংগী অৱাবা মায়োক্লবগী চাং নোংম-নোংমগী শোয়দনা হেনগৎলকখিগনি হায়বসি অচুম্বা ৱাফম ওইগনি। থৌদৌসিদগী কোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্কী অনৌবা থৌরাং করি লৈরবগে হায়বসি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীরবদি অসুক্কী মতিক নুংঙাইজগনি।

নোংজু পন্থা খুদিংগী ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বদা থেংনরিবা ঈশিং থুমজিনবা অমসুং ঈশিং ঈচাউ থোকপগী থৌদৌশিংসি তশেংনা ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী মনুংদা লৈরিবা ঈরম-খোংবালশিংসি ফুঞ্জিল্লকপননি হায়বসি য়েৎপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। হৌজিক্তি ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী মনুংদা লৈরিবা ঈরম-খোংবালশিংসিদা নত্তনা ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী ঈরম-খোংবালশিংদগী চিথরকপা ঈশিংশিং পুল্লপ পূনশিল্লগা পুথখিগদৌরিবা অচৌবা ঈশিং খোংলমশিং অমসুং ইম্ফাল সিটি ফাওরিবা তুরেল মচাশিংসিসু য়াওনা অয়াম্বনা ফীভম তাদনা ফুনজিল্লকখ্রে। হায়রিবা তুরেল মচাশিং অমদি খোংলমশিংসি অয়াম্বনা মতোন থংবা শরুকশিংদা লোয়না ফত্ত-হৌদিশিংনা ফুনজিন্দুনা লৈবা মীয়াম পূম্নমক্লা উনরে। মণিপুরগী তুরেলশিং পূম্নমক খা মায়কৈরোম পাংনা লোক্তাক পাৎ তম্না চেন্থনবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী লৈমায়সি জিওগ্রাফিকেল্লি য়েংবদা অৱাংলোম থংবা মায়কৈদগী মখারোম থংবা মায়কৈরোমদা অসুম অসুম কুৎথখি। মরম অসিনা মখারোম থংবা শরুক্তা পাৎকা তাইনবা মফমশিংদা তুরেলশিংসি অয়াম্বনা ফত্ত-হৌদিশিংনা থনগৎলকপদগী থেনগৎলকপা অমসুং ফুনজিল্লকপগী থৌদৌশিং ময়েক শেংনা থোক্লি। ফীভমশিংসিদা মতৌ করম্না নোংজু পন্থাগী মতমদা ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী ঈশিংশিং লোক্তাক পাৎ য়ৌনা চিংথখিবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। পাউখুম লৈত্রিবা ৱাহংনি। মমাঙ চহী কয়ামরুমদগী হৌনা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়রিবা ঈরম তুরেলশিংসি শেংদোকপগী থৌরাং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লম্লবদি অমসুং ইম্ফাল সিটি মনুংগী ঈরম-খোংবাল মচা-মচাশিংসিসু য়াওনা নিংথিনা তেংথোক-খোত্তোক্তুনা ঈশিং চেন্থহনবা ঙম্লম্লবদি মণিপুরদা ফনা নোং মরাং কায়না চুরবসু হৌজিক থেংনরিবা খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউশিংসিদি খক উবা ফংলম্লোই। ঙরাং-নহানখক নোং খজিক্তং মপূং ফানা চুখিবদা ইম্ফাল ময়োলগী তম্পাক লমসি য়াওনা মণিপুরগী মফম কয়ামরুমদা নোংগী ঈশিংনা থুমজিন্দুনা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউশিং থোকহনবগী পাউশিং তারি। তশেং-তশেংনমক ইম্ফাল তুরেল, ঈরিল তুরেলনচিংবনা তোর্ব্বান নমখায়দুনা নৎত্রগা পাথোক্তুনা ঈশিং-ঈচাউ থোকহনবনা অমনি। ইম্ফাল মনুংদা চাউরিবা তুরেল পাথোকপদগী নত্তবা ঈশিং-ঈচাউশিংসিদি তশেংনা মতম চানা ঈরম-খোংবালশিং শেংদোকহৌদবা অমসুং ঈরম-খোংবালশিংসি সিষ্টেম নাইনা শেমজিন-শাজিনহৌদবদগী থোক্লকপা মহয়শিংদুনা ওইরকহনখিবা ঙাক্তনি। ঈশিং-ঈচাউশিংসি থোকহন্দনবগীদমক অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ইম্ফাল মনুংগী ঈরম-খোংলমশিং মোৎহন্দনা লৈহনবা অমসুং ইম্ফাললোমদগী লোক্তাক তম্না চেন্থরিবা তুরেলশিংগী তুরেল খোংনুংশিং মতিক চানা লুহনবা অমদি তুরেলশিংসিগী ঈচেল থিংবা য়াবা অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হৌদিশিংগী পল অমত্তা লৈহন্দবা অসিতনা ওইগনি। খুদিংমকসি মণিপুর লৈঙাক্কী থৌরাংগী মখা লোয়না পোল্লিবনি। ইম্ফাল মনুংগী খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউশিংসি তশেংনমক মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদদি লৈপাক্কী থৌগলগীদমক অমত্তা ঙাইরবা অচৌবা চাংয়েং লৌনবা থৌদৌ অমসু ওইরবনি।

মতমগী মতুং ইন্না লমদমসিগী লৈঙাকপশিং, জিওগ্রাফিকেল ফিচরশিংসু মপূং ফানা খঙবা-হৈবা চঙই হায়বা ৱাফমসি মতমসিদদি চপ চানা চুল্লক্লে। ফীভমসিমক্লনি হৌজিক্কী মতমগী এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিং লাইরিক-লাইশু হৈত্রবদি য়াদ্রে, কান্নরক্ত্রে হায়নরক্লিবসি। লাইরিক-লাইশু হৈতবা এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিংবু মতমসিগী লৈপাক মীয়াম্নসু পাম্নরক্ত্রে। লমদমসিগী লৈঙাকপশিংনা লাইরিক-লাইশু হৈবগী মতিক ৱাখল্লোনশিং ৱাংবা, খঙবা-হৈবশিং ওইরম্লবদি হীরম খুদিংমক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না খুদোম্বীনা থিন্নরকপা অমুক ঙাইনদ্রবসু লৈঙাকপশিংসিনা হান্না চোঙশিন্দুনা মকোক থাদনরমগনি। লমদমসিগী এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিংনা লাইরিক-লাইশু হৈবা, ৱাখল-লৌশিংশিং লৈবা ঙাক্তা ওইরম্লবদি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী, ইম্ফাল মনুংগী খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউশিংগী হীরমসিখক্তদসু নত্তনা অতৈ হীরম কয়ামুক্তসু মণিপুরগী ওইনা কান্নবা কয়ামুক পুরক্লম্বসু য়াই। চাওখৎ-লম্বীদা হেন্না শেন্দোং ফংলম্বসু য়াই। অদুম ওইনমক য়েংখিবদি তারি মণিপুরগী লৈমায়সিদা নৌনা পাল্লকপা লৈঙাকশিংনা কদায় ফাওবা য়ৌনা ময়েক শেংনা অমসুং তুং কোয়গদবা মওংদা অশানবা মীৎয়েংশিংগা লোয়ননা কথোকপনা মাঙজিল থাদুনা লৈপাক্কী থবকশিং তৌরকপগে হায়বদু। হৌজিক্কী মতমদা থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউশিংসি থোক্তনবা করি-করম্বা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্তুনা মখোয়না লমদমসিগীদমক হোৎনরকপগে হায়বদুসু য়েংখিবা অদুম্মক তাবনি। থবক খুদিংমক পাঙথোকপদা মপূং ফাবা ৱাখল্লোনশিং চঙই। অদুগা, থবক অমা পাঙথোকপদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবনা থবক্তু পাঙথোক্লিবা মীশকশিংদুনা মশানা ইন্টরেষ্ট কয়া য়াম্না লৌরগা থবক্তু পাঙথোকপগে হায়বা ৱাহংসিনি। মালেমসিদা ইন্টরেষ্ট য়াওদনা তৌবা থবক খুদিংমক চাদা ৯৯ মায় পাক্কন্দে হায়নরি অমসুং তঙাইফদনা লাইবক ফবদগী মায় পাকপা অমদংগা য়াওরক্লবসু কুইনা চৎকদবা অমসুং মচং ওইনা তৌবা থবক খূৎতৌ অমদি খক ওইরমদে হায়নরিবনি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু লমদমসিদা ঙসি ফাওবদা মমাঙ-মতুংগী ৱা নত্তনা লৈঙাক্লা তৌবা থবক খুদিংমক চেকশিন্দবা অমসুং মঙম য়াওদবা থবক খূত্তৌদদি নম্বর ৱান ওইরি হায়বসিসু ঙাওনরিবনি। লম্বী কয়লা থাবদবু ওইরো, মীয়ামগী চথোক-চৎশিনগী থোং শাবদবু ওইরো, স্কুল বিল্ডিং শেম্বদসু অদু মঙাই খ্বাইদগী হেন্না মথোং চাদনা তৌরম্বা থবক খূৎতৌশিংগীদমক লৈঙাক্কী থবক খূৎতৌশিং মমিং চৎলিবনি। হৌজিকসুনি হন্দক মণিপুরদা পাল্লক্লিবা লৈঙাকসিগীসু মমাঙঙৈগী থবক খূৎতৌশিংদু হোংদোকপা খক ঙমদ্রিমখৈদি কৈদৌঙৈদসু খক ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বদা থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউশিংসি থোকহন্দবা ঙমখিরোই। লৈপাক মীয়াম্না নীংবা থুংবগী মোমোন নোকচবা মীৎকুপ্পুদা লৈপাক্কী থৌগল তৌজগে চোঙথোক্লিবা মখোয়গীসু নীংবা থুংনরিবা নৎত্রা? কদায়নো লমদমসিদা মীয়ামগী মোমোন মীনোক, কদোমদনো মীয়াম্না লৈঙাকপু নুংশিবগী থাগৎ ৱাহৈ? মীয়াম্বু নীংবা থুংহনগদবা লৈঙাক্কী থবক-থৌরাং খুদিংমক্কীদমক লমদমসিগী মীয়াম্না মতম চুপ্পদা লৈঙাকপু থাগৎচনবগীদমক ঙাইরি হায়বসি লমদমসিগী লৈঙাকসিনসু খক কাউহন্নীংদে।

লৈঙাক হায়বসি মীয়ামনি, মীয়াম হায়বসিসু লৈঙাকনি। মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপনি, লৈঙাক্লবগীদমক মীয়াম্নসু মীহুৎ খল্লিবনি। ফীভমসি লৈবনা লৈঙাক অমসুং মীয়াম হায়বসি মশা অমখক্তনি, অম্ফানি লৌবা য়াই। ৱাফম অশোমদা পুথোক্লবদি লৈঙাক্লা শেম-শাবা থবক খুদিংমক মীয়াম্না পেন্নবা মওংদা পাঙথোকপীফম থোকই। অদুগা মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা তৌবা থবক খুদিংমক য়ানীংদনীংঙাই খক লৈরোই। ফীভমসিমক্লা চুল্লবদি হঞ্জিন-হঞ্জিন কয়ারক ৱা তান্নদুনতা লাকখ্রবা মরম চাদনা চাউবা খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউশিংসিগী মরমশিং নহান্না লৈঙাক্লা খঙদোক্লবা হোৎনবগী মতম হেনদ্রিবরা? মরম অমা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমা হেক্তা পীশিন্দুনা ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বখক্তদা নত্তনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা করিগী খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউসি থোকহল্লম্লিবনো? ঙাইহাক লৈতনা চুথরকপা নোংজু খুদিংমক্কী ঈশিং ঈচাউশিংদা ইপাই হৌরবা লমদমসিগী ঈচাউ নংলবা মীয়ামসিনা মায়সি অতিয়ারোমদদা ওনখৎতুনা য়েংখৎনবদা মীৎফম কয়া অমা কায়নরবনি। ফীভমসি ফাওবদা ঙসি থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউসিবু ঙাকথোক্লবা পাম্বে অমত্তা লৈত্রবদৌনা মণিপুর লৈঙাক্লা মিৎয়েং তাম্না থম্বীবদৌনা উরিবা থৌদৌসি য়েংহৈরিবরা হায়বসি খন্ননীংঙাই ওইরে।